ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯃꯥꯔꯆ ꯰꯹, ꯲꯰꯱꯷, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯰ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯳꯳꯱ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেন, মার্চ০৯, ২০১৭, ইম্ফাল
৪০ শুবা চহী, ৩৩১ শুবা মশীং

# মণিপুরগী মরাইবক

## য়ু জিশিংদা চঙজরিবা মীরেপশিংনা করি তৌরক্কদৌরি?

তরামাথোইশুবা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী মীখল লোইখ্রে হায়না লৌবা য়ারে। অশোয়বা, অরানবা য়াওখিবা তম্পাক্কী পোল্লিং ষ্টেসন ৩৪দা ঙসি ভোট হনগনি। অনীশুবা তাঙ্কক্তা পাঙথোকখিবা এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সী ২২গী মীখলদা অশোয়বা, অরানবা অমদি খুৎলাই পায়বশিংনা চথুখিবা ইলেক্সনগা মরী লৈনবা ক্রাইমশিংনা মরম ওইরগা পোল্লিং ষ্টেসন কয়াদা মীখল হনগদগে হায়বদুদি হৌজিকমক্কী ওইনা হায়বা ঙমদ্রি। অদুমকপু মপুম ওইনা য়েংবদা ভোট লোইরে হায়না লৌবদা থোইনা লাল্লরোই। হন্দক্কী মীখল অসিগী মওং মতৌ য়েংলগা মণিপুরগী মথং চহী ৫দা মশক থোকপা য়াবা করি থবক তৌরক্কদগে হায়বসি পনবদা অৱাবা ওইরি। ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা ভোটরশিং অকি-তুজুংবা য়াওদনা ভোট থাদহন্নবা ফনা কন্না থবক লৌখৎচরবসু ভোট থাদরমদাইগী নোংমা নীনিখক্তা ঙাইরবা মতমদদি মহৌশাগী ফীভমগা খেন্নবা করিসু লৈখিদে। খুদম চাংদম ওইনা মীয়ামদা থম্বা ঙমদ্রবসু এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সী খরদদি ভোটর অমদা মীরেপ অমনা লুপা লীশিং ৭ ফাওবা পী হায়নৈ। অতোপ্পা এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সী অমা/অনীদনা অকক্লবা লৈতনা থাদৈ হায়নৈ। হায়রিবা মীখলগী লাল্লোং অসি মরুওইনা তম্পাক্কী পোল্লিং ষ্টেসনশিংদা চথুনবা উখি। শেল থাদদবা মীরেপতি মালেমগী মশক নাইবা মীশক ওইরবসু মীয়াম্না য়াব্রা হায়বা মীখলগী ফল লাউথোক্লগা খঙলগনি। তম্পাক্তা শেল লৈরে হায়রবসু মীয়ামগী থবক তৌই হায়বা খরা উৎহৌদ্রবদি মীখলদা মায় পাকপা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈতে। মীখলগী মতমদা শেল পীবা হায়বসিসু চৎনবী অমা ওইনা পুশিল্লক্লি। শেল পীবা ঙমদবা মীরেপশিংনা ইশোন শোন্না উই। মীয়ামগী অসিগুম্বা মওং মতৌ অসিনা মণিপুরদা মশক থোকপা লূচিংবা অমা থোরক্কনি অমসুং লূচিংবদুগী লমজিং মখাদা অনৌবা মণিপুর শেম্নবা থবক পায়খৎলক্কনি হায়না খন্নিংঙাই মচাক ওইদে। মসিমক মণিপুরগী লাইবক থিবনি।

মণিপুরগী চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংগী মনুংদা চুড়াচান্দপুর, ফের্জোল অমসুং কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মীখলদি অহানবা তাঙ্কক্তা পাঙথোকখ্রে। লেমহৌরিবা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংগী মীখলনা অনীশুবা তাঙ্কক্তা পাঙথোকপা মীখলদা য়াওখ্রে। অহানবা তাঙ্ককপু ওইরবসু অনীশুবদবু ওইরবসু চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈবা এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সীশিংদা পাঙথোক্লিবা মীখলগা তমগা য়াম্না খেন্নৈ। চীংগী এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সীশিংদা মীরেপ ওইরিবশিংনা মখোয় মশামক মীখল অসিদা মায় পাক্লবগীদমক অহানবদা তঙাইফদনা তৌদবা য়াদ্রবা অমা হায়বা তারবদি মনীং-মখা তম্না লোগী ৱাংমদা থবক তৌরিবা খুৎলাই পায়বা অন্দরগ্রাউন্দ গ্রুপ অমগী লূচিংবশিংগী খোঙয়াখাদা কুম্থবা হায়বসিনি। মীখলদা মায় পাক্লবগীদমক লৈবাক অসিগী লোনা য়াদবা মওংদা থবক তৌরিবা য়ু জিশিংগী মখোঙ কোনবা ঙম্বা মখোয়না ষ্টেট অসিগী লো শেম্বা, ইগজিক্যুটিব ওইরকপদা লৈবাক্কী ওইনা করি তৌরক্কদগে হায়বসি মীয়াম্না অদুম উবা ঙমই। মমাঙগী এসেমব্লি ইলেক্সন্দা খুৎলাই পায়বা লূপনা স্পোন্সর তৌরগা থাগৎলকখিবা মীরেপশিং মীয়ামগী থবক থৌরম অয়াম্বদা শরুক য়াখিদে। এসেমব্লি হায়বসি দেমোক্রেসিগী লাইশঙনি। অসিগুম্বা লাইশঙ অসি খন্নপুং, নৈনবুংনি। দিবেট অমসুং দিস্কসন্না লৈবাক অসি অওনবা পুরক্কদৌরিবনি। অসিগুম্বা ফজরবা দেমোক্রেসিগী মশক অসিদা মখোয়না শরুক য়াবগী মহুত্তা অপীকপা ইস্যু অমদা ফম থাদোকখি। মীয়াম্না পীবা চহী ৫গী ফংফম থোকপশিং ফংহনবা ঙমখিদে। হন্দকসু চীংগী এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সী খরদা খুৎলাই পায়বা লূপশিংগী মখোঙদা তুরুরগা মীয়ামগী মীহুৎনি হায়না থোরকপা মীওই খরদি শোয়দনা য়াওগনি হায়না লৌনৈ। মখোয়না মণিপুর মীয়ামগী অনিংবা অপাম্বদা থবক তৌগদ্রা নৎত্রগা খুৎলাই পায়বা লূপ অদুগী থবক তৌগদ্রা হায়বসি নৈনরগা মণিপুরগী মথং চহী ৫দা থোক্লগদবা থৌদোক ৱাথোক, উহৈদবা শক্তম কয়ামরুম মথং মথং উরগনি। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমদা দেমোক্রেসিগী মশক থিহন্নবা হোৎনরিবা খুৎলাই পায়বশিং অমসুং মখোয়গী খোঙয়াগী উফুল লেক্লগা এম এল এ ওইগনি খল্লিবশিংদগী মীয়াম্না লাপথোক্লা লৈফম থোকই। মখোয়না মণিপুর থুগাইনবা হোৎনরক্কনি, তোঙানবা ষ্টেট শেমগে হায়রক্কনি, মিজোরামদা তিনগে হায়রকপসু য়াওগনি, নাগালেন্দগা পুনগে হায়বসু পল্লকপা য়াই। মখোয়বু মীখলদা ৱারকপা ঙমহৌদ্রবনিনা মখোয়না অকায়বা থবক তৌরকপদা মফম লৌথোক্লবা মীয়ামগী ঈহৌ হৌনবা হৌজিক্তগী হৌনা থৌরাং তৌবা য়ারে হায়জনিংই।

### ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

## হায়নীংঙাই লৈতনা থাগৎচরি

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

সনসম জয়কুমার সিংহনা ইবা The 10 days, A revelation the escape from death অসি অতাঙবা, অনী শুদ্রবা, য়াম্না কান্নরবা লাইরিকনি। লাইরিক অসি শকখঙ মায়খঙনখিবা ঐগী ককাবু হায়নীংঙাই লৈতনা থাগৎচরি। Notionpress.com chennai, International publisher বুসু থাগৎচরি। সারগী ইবগী হৈশিংবা অদু লাইরিক অসি পারুবদা খঙবা ঙমই। লাইরিক অসি হীরম খুদিংদা কান্নরবা লাইরিকনি। ইংলিসতা ফোঙবা ওইরবসু অচম্বা ইংলিস, অরাইবা ইংলিসতা ই। মীপুম খুদিংনা খঙবদা লায়। মণিপুরদা ফংবা হাওরবা কংলায়েন, উয়েল কয়াগী বোটানিকেল নেম, স্পেসিস নেম, কম্মন নেম কয়া তাক্লি। পোৎ খুদিংমক মরুওইনা মণিপুরগী উমংগী পোত্থোক কয়া, উ কয়া মশক মমেলদা তাক্লি। মসিদসু নত্তনা মণিপুরগী তাঙলবা কলচর এন্দ ত্রেদিসন খুদম ওইনা হায়রবদা কাং, লিকোল কয়াবু মালেমদা মশক তাক্লিবা লাইরিকনি। তশেংবমক্তি লাইরিক অসি মীওই অহুমখক্লা নুমিৎ ১০ নি লম্বী খঙদ্রবা মণিপুর অমসুং ম্যান্মারগী শুক্লবা উমংদা পুশিনবগী এবদক্টরশিংগী অশি খুবামনুংদগী মখোয়বু ওভর পৱার তৌদুনা নাম্থোরকপগী ৱারীনি। পৈশানা পূম্নমকনি খন্দুনা অহিংবা পুন্সি অমগী থৱায়বু করিসু লৈতনা খল্লিবা অদুগুম্বা কিদনেপরশিং অদুগী মখূৎতগী থৱায় কনজরকপগী ৱারীনি।

নুমিৎ ১০ নি জঙ্গলদা হিংনবগী লাম্থেংগী ৱারী অমসু মমাঙদা পাখ্রে। My odreal in Jungle Aircrash তদি নুপীমচা অদুনা প্রকৃতিগী মখূৎতা, অশিবগী খয়াৎনুংদগী লাইবক ফন্দুনা হিংবগী ৱারীনি। অদুগা The 10 days, A revelation the escape from death তদি মীনুংশি খঙদ্রবা থৱায়গী মমল খঙদ্রবশিংগী খয়াৎতগী থৌনা ফনা লাম্থেংনদুনা অশিবগী খয়াৎতগী কঞ্জরকপগী ৱারীনি। মীকুপ খুদিং অশিবনা মাংদা লেপ্তুনা লৈরবসু অশিববু মায়থীবা পীদুনা লানঙম ফিরাল থেৎতুনা হল্লকপগী ৱারীনি। প্রকৃতি খক্তা নত্তনা মীওইবগী, মীহাৎপশিংগী খূৎতগী, নীংতম্বগী মিংদা খূৎতা খূৎলায় পায়দুনা, মীফা মীপুন তৌদুনা রেন্সম তানবনা, নীংতম্বগী মীংদা মায়খুম উপলিবা ওর্গেনাইজ ক্রাইম, পোলিটিকেল ক্রাইম, প্রোফেসনেল ক্রাইম তৌরিবা ক্রিমিনেলশিং অদু ওইনা উহল্লকপা থৌওং কয়াসিদা কন্না চিংনবা পোকহল্লকপা অসিমক লাইবক থিবনি হায়বগী নুংনাংজবা ফোঙদোকই। মীয়ান মচা মণিপুরগীদমক্তা অফবা কয়া তৌরিবা, তৌরক্কদৌরিবা প্রবিন গুপ্তা (দিল্লি) অইবা মশামক অমসুং দ্রাইভর নিসিকান্তবু পল্লেল আউটপোষ্টতগী ইরাপ লাপ্তুবা মফমদগী কিদনেপ তৌদুনা শুক্লা মল্লবা মণিপুরগী জঙ্গলদা নুমিৎ ১০ নি খূৎলায় পায়বশিংগী কষ্টদিদা হার্ট পেসেন্ট, দাইবেটিক পেসেন্টনা নোংজু নুংশা মরক্তা অশিবগী খয়াৎতগী কনজরকখিবা, অৱাবা, নীংবা খমথেংনা কায়বা থৌদোক্কী ৱারীনি। থৱায়গী মমল খঙদ্রবা পৈশাখক্তগী খনবা মানবা, থৱায়গী মমল খঙদ্রবা খঙমিন্নসি হায়বগী ৱারীনি। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনসু ক্রিটি চক্র পীবিনবা রিকমেন্দ তৌরিবা থৌনা ফরবা ইমা ভারতকী অথৌবা মচাশিংগী ৱারীনি। লাইরিক অসিদা মমল নাইদ্রবা কান্নরবা লনশিং য়াওরি। করম্না করিগীদমক্তা কনানা মখোয়বু অৱাফমদা তাখিবা, অশিবগী খয়াৎতগী করম্না থৌনা ফনা লাম্থেংনদুনা পুন্সি কঞ্জরকখিবা হায়বদু মীয়াম্না লাইরিক অসি পারগা খঙমিন্নরসি।

*অদোমগী - রাবি, হিয়াংথাং*

# মীয়ামগী খোন্থাং য়ৈহনবা লৈঙাক অমগীদমক

**সোইবমচা ইন্দ্রকুমার**

***ঐখোয়গী*** লৈবাক, ইমা লৈবাক 'ইন্দিয়া' - ঈংনা চীক্লা, শান্তি ওইনা পাল্লিবা লমদম অমরা? লৈবাকসিদা লৈমিন্নরিবা মীয়াম অসিবু নুংশিননা, চান্নরা অমত্তা ওইনা লৈমিন্নরিবরা? খুম্বা ৱাবা ৱাহংনি। ৱাহং অসি ঐঙোন্দা কনাগুম্বনা হংলক্লবা, ঐদি হায়গনি, মথোঙ মরম খঙদবা, কাং-খোং চাইরবা লৈবাকনি। লৈবাকসিগী সিটিজেন, মখল অনী খায়দোকই - ফার্ষ্ট ক্লাস অমদি সেকেন্দ ক্লাস। মহৌশাগী ভারতবর্ষ হায়বা, আর্য্যানশিংগী মচা মশুশিংনা লৈরম্বা, নেসনল এন্থেমদা শৈথারিবা লমশিংদুদা লৈরিবা মীশিংসিনা 'ফার্ষ্ট ক্লাস সিটিজেন' অদুগা মশানা মশাবু ইন্দিয়ন অমনি হায়জবদা চিংনবা, চাউথোকচবা ঙমদবা, ভারতকী শরুক অমা ওইনা শৈথাবদা য়াওরমদবা, হৌজিক্তি ইন্দিয়াগী জিওগ্রাফিকেল বাউন্দরি মনুং চল্লবা লমদমদুদা লৈবা মীশিংনা 'সেকেন্দ ক্লাস সিটিজেন'নি। মখোয়শিং অসিনা 'অমত্তা ওইবা' (য়ুনিটি) ৱাখলদু কৈদৌঙে, করম্না খল্লক্কনি? ঐখোয় অমুক্তংদি খন্থমিন্নবা চুম্বনি।

ইশামক্তা থোকখিবা থৌদোক অমনা ৱারীগী শৈহৌ ওইজগে। কুমজা ২০১০, গ্বাংজৌ এসিয়ন গেমস, ইন্দিয়ন জুদো টিমগী মেনেজর ওইনা চৎলমদাই, ঐগী ভিসা লৌরমখিদে। চাইনিজ এম্বেসি'না 'চাইনিজ অমনা ময়ূমদা হঞ্জবদা করিগী ভিসা দরকারনো' হংলকখি হায়। ইশা চৎতুনা ঙাঙনরবা তুং 'ভিসা ওন এরাইভেল' গী এরেঞ্জমেন্ট তৌরকখি। ইন্দিয়ন চেফ-দি-মিসন' না ঐবু ওপনিং সিরেমোনি মার্চ পাষ্ট য়াওদনবা খঙহল্লকখি। মরম, ভিসা'না মরম ওইদুনা 'আই ও সী' গী লোগো য়াওবা ব্লেজর-কোট ঐঙোন্দা ইস্যু তৌরকখিদে। ফুন্দে হায়বতা খাক্তুনা কন্না মরৈ য়েৎনরব'তুং নমদুনা চৎখি ঐ। ওপনিং সিরেমোনিগী লাইব টেলিকাষ্ট, চাইনিজ কেমেরামেন'দুনা মমাঙ থংবা পরেংদা চৎখিবা ঐঙোন্দা 'ফোকস' তৌবদুদা কম্মেন্টেটরদুনা হায়খিবা 'এ চাইনিজ ইজ লিদিং দ ইন্দিয়ন টিম' হায়বা কম্মেন্টরিদু নীংশিংলি। য়ুরোপ'তা, এসিয়া'দা, অমেরিকা'দা, নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়নশিংবু কৈদৌঙেদা ইন্দিয়ন অমা ওইনা লৌদে। মেইনলেন্দ ইন্দিয়াগী ইন্দিয়নশিংনসু মখোয়বু ইন্দিয়ন কৌনীংদে।

'মণিপুর'গুম্বা, খাঙতপ্তা ইন্দিয়ন টেরিটোরি ওইখিবা লমশিংদা লৈবা মীশিংদা পীবা 'সুদো ইন্দিয়ন' টাইটল অসিদা মীশিং অসিনা পেন্থোকচবা ঙল্লক্তে। মখোয়গী তোঙানবা কলচরেল অমদি পোলিটিকেল হিষ্টরি লৈজে। অদুবু পূম্নমক অদু, ইন্দিয়াদা পুনশিনখ্রবা মতুংদদি ঈপাক্তা ঈচেল'না তিনখিবগুম তিনখি। মসিদগী থোক্লকপনি 'দ গ্রেট ইন্দিয়ন আইদেন্টিটি ক্রাইসিস'। নাগা নেসনেলিজম, মীতৈ নেসনেলিজম, কুকি নেসনেলিজম... করিসু নত্তে, মশাগী শক্তম থিবনি, আইদেন্টিটি ক্রাইসিসনি।

অসিগুম্বা রিজনেল আইদেন্টিটি ক্রাইসিস অসি নত্তবা, ইন্দিয়ানা বৃটিশকী কোলোনিয়েল রুলদগী পোলিটিকেল ফ্রিদম ফংলবা মতুংদা থোক্লকপা 'ৱান ইন্দিয়া' ওইরম্বদগী হিন্দুস্থান-পাকিস্থান হায়দুনা হিন্দুশিংগী লৈবাক, মুসলিমশিংগী লৈবাক তোখায় তোখায় খায়দোকখিবদগী ওইরকপা, হেন্না চাউবা আইদেন্টিটি ক্রাইসিস অমা লৈ। ৱাথোক অসিনা ইন্দিয়াগী পোলিটিক্সতা লৈতাফম খঙদবা ফীভম অমা শেমগৎলক্লবগী অচৌবা মরম ওইরকখি। হিন্দুস্থান'দি হেক পোকখিবা নুমিৎতগী ঙসি ফাওবা হিন্দুশিংগী স্থান (মফম/লৈবাক) কৈদৌঙেদা ওইরকখিদে। লৈবাক ঙাক্লোন শেম্বদসু হিন্দু-লো, মুসলিম-লো হায়দুনা কৈদৌঙেদা পূনবা য়াররোইদবা, শকউদবা কাখল অনী খায়দোক্তুনা থম্লমখি। লো হায়বসিদি ধর্ম্মগী চৎন-লীক্লম য়েংলগা শেমগদবা নত্তে। 'ৱান-নেসন-ৱান-লো' চৎনহল্লবতদা লৈঙাক মরা চেৎকদবনি। হিন্দু-লো, মুসলিম-লো তোঙান তোঙান শেম্লগা, খৃষ্টিয়ন-লো শেম্লমদবা করিগী? কনষ্টিট্যুসন'নদি হায়, লৈবাক অসি 'সিক্যুলার কন্ট্রি' নি, অকক্লবা ধর্ম্ম অমগী নত্তে, চৎনীংবা ধর্ম্ম চৎপা য়াই। লাইনীং লম্বী খুদিংমক্কী মাগী মাগী তোখায়বা চৎন-লীক্লম, থাজবা লৈ। মদু ইন্দুনা চৎনবা মায়চৌ/পুরোহিৎ/প্রিস্ত/ইমামশিংনা পাউজেল পী। অদুবু, মদুনা লৈবাক্কী লো ওইবা য়াদে। হৌখিবা থা মঙা তরাসিদা মুসলমানশিংগী 'ত্রিপল তলাক' হায়না খঙনবা, মুসলিম নুপা অমনা, মচিন্দা মাগী নুপীবু 'খাইনরে' (তলাক) হায়না অহুম্লক হায়রবদি, আইনগী থোঙদা 'দাইভোর্স' তৌনবদগী শরুক কয়া হেন্না লূম্বা, মুসলিম পার্সনেল লো (শারিয়ত) অসিগী মতাঙদা নেসনল মেদিয়াদা অখঙ অহৈ কয়ানা দিবেট তৌনরক্লি-চৎনবী অসি মুখুখিদবনি নৎত্রগা মখা তানা চৎনহনগদবনি। চহী চা কয়া মৱা লৌবিরমদবদা মুসলিম-নুপী, ঙসিদি ৱা ঙাঙলক্লে, অকনবা খোল্লাউ লাউরক্লে - 'লো অসি মুখুৎকদবনি'।

লো হায়ববু করিনো? ময়ামগী ওইনা য়াইফনবা, অফবা মী শেম্নবা, লমহেন তুহেন তৌদনবা, চৎন-লীক্লম অমা শেম্লন্লিবদু নত্তরা? লো নৎত্রগা চৎন-লীক্লম-হোংবা নাইদবা, লেঙদবা পোৎশক ওইবা য়াদে। মতমগী য়াওল মতুং ইন্না, হোংলক্লিবা মীওইবগী ৱাখল মতুং ইন্না, ইরিবা লোগী ৱারোল অদু হোংবা তাই। ঐনা, নঙনা, মানা-লোদু পামদ্রে হায়দুনা হেক্তা হোংদোকপা য়াবরা? য়াদে। অদুদি, মদু কনানা শেমগনি? মীয়ামগী মীহুৎ ময়াম্না শেম্বা লেজিসলেটিব এসেমব্লি'না। হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিভস (লোক সভা) না।

হৌজিক'মকসি মণিপুরগী ১১ শুবা লেজিসলেটিব এসেমব্লি শেম্নবা মীয়ামগী মীহুৎ খন্নবা শেম শারিঙে মতমনি। নুমিৎ মরিনিগী মমাঙদা মীহুৎ ৩৮ খন্নবা মীখল পাঙথোকখ্রবা মতুং মীহুৎ ২২ খন্নবা মীখলসু ঙরাং পাঙথোকখ্রে। নুমিৎ নীনিগী মতুংদা খঙলনি- কনানা কনাগী মীহুৎনো? মখোয় হুম্ফুনা শেমগনি - ১১ শুবা মণিপুরগী বিধান সভা। সভাদুগী মপুন্সি চহী মঙা ওইগনি। চহী মঙাগী মণিপুরগী মরায়বক মখোয় হুমফুনা লেপকনি। অরিবা লো শেমদোকপা, অনৌবা লো শেমগৎপা মখোয়গী খূৎতা লৈ। মমাঙদসু লৈখি। তৌফম থোকপা তৌখিদবদুনি লুরিবা। মীয়ামগী য়াইফনবা ৱারেপ লৌদবা, মরন্নাই য়াইফনবা ৱারেপ লৌবা, এম এম এ'শিংগী মরমচৎ ওইরকখি। মীয়ামগীদমক ৱারেপ লৌরমদাইদা মীয়ামগী ৱা তাবীদবা, তান্নবা পাম্বৈ পুথোক্তবা- মসিদগী থোকই ৱাথোক, লাম্থোক, ষ্ট্রাইক, বন্দ, ব্লোকেদ। কায়নথংদা হায়রকই - ঐখোয় নীং'তম্লগে, ইন্দিয়াদগী তোংঙাল্লগে। নীংতম লালহৌ হৌরকই, খূৎতা খূৎলায় পায়রকই, থৱায় পোম্থা পীরকই, লৈঙাক ইস্যু ওইরকই।

অদুবু, লুরবা লৈঙাক ইস্যুসি, লৈঙাকপগী কোক্তদি চঙদে খন্দে নোংমতা। শান্নবা অমদি কলচরনা মণিপুরগী মায় ওইর'সু, লৈঙাকপা অমত্তে ৱাখলদা শিনফমসিবু নীংশিংদে। মরমসিদই ওইরকই - শান্নরোয়গী পেরে থোকফম, কলাকারগী হৌরকফম লমদম অসি, শান্নরোয় অমদি কলাকার অনীমক্কী নোরোক!

পূম্নমকসি খল্লুরগা খল্লকপনি - লৈঙাকসিদা মীয়ামগী অশেঙবা মীহুৎ য়াওরবদি, মীয়ামগী ইহুল খঙনা লৈঙাক্লা থবক তৌরক্কনি। মীখলদা খনবা লৈঙাকপদি মীয়ামগী মীহুৎ ওইখিদবা কুইরক্লে। ভোটকী মমল পীদুনা, লৈরগা মীহুৎ ওইখিবনা মমলদু হনজিন্নবা হোৎনবা অহানবা থৌদাং ওইফম থোকই। ৱারৌফম থোক্তে ঐখোয়না। শান্নরোয়, কলাকার, এদ্যুকেসনিষ্ট, লোয়র, সোসল সাইন্টিষ্ট, সোসল ৱার্কর... ময়ামসিগী মীহুৎসু লৈঙাক থৌশিল শেম্বদা য়াওহন্নবা পাম্বৈ অমা লৈফম থোকই খনবসি মোন্দ্রংমকসু ওইরমদে। উত্তর প্রদেশ, বিহার, মহারাষ্ট্র, কর্ণাটাকা, অন্ধ্র প্রদেশ, টেলঙ্গানা অমদি জম্মু এন্দ কাশ্মীর ষ্টেট তরেৎ অসিদদি বিধান সভাগী মথক্তা, অসিগুম্বা মীহুৎ ময়ামগী বিধান পরিষদ হায়বা অমা লৈ। বিধান সভা-সিট মশীংগী শরুক অহুম থোকপগী অমনা বিধান পরিষদকী মীহুৎ মশীং ওইগনি। বিধান সভাদি চহী মঙা খুদিংগী অমুক শিনবা নাইগনি, বিধান পরিষদকীদি মপুন্সি লোইবা নাইদে, মেম্বরশিংগী মপুন্সি চহী তরুকখক্কীনি। রাজ্য সভা অমদি লোক সভা অনীগী মোদেলদুমক্লি।

মণিপুর'গুম্বা, মীয়ামগী খনবা শংদবা বিধান সভা লৈবা ষ্টেটশিংদদি বিধান পরিষদ তঙায়ফদবা অমনি। বিধান সভাগী ৱারেপ য়াওদনা পরিষদ অসি শেম্বা য়াদবনা, ৱারেপ অসি লৌনবা মীয়ামগী ঈহৌ অমা হৌবা মথৌ তারক্লে।

# ইকায়খুম্নজরবা প্রসিদেন্ট অমদি প্রাইম মিনিষ্টর

**এন জি নিলকান্তা খুমন**
প্রসিদেন্ট, য়ুনিভর্সেল ফেমিলি ওর্গেনাইজেসন, সাউথ ইষ্ট এসিয়া নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া, মণিপুর, ইম্ফাল

***ইকায়খুম্নজবগী*** পনখৈ লৈত্রবা লৈবাক অসিগী দেমোক্রেসিগী খ্বাইদগী অৱাংবা তাংবন্দা ফম্বিরিবা মিং ওইনা পঞ্জরবদা প্রসিদেন্ট প্রনাব মুখর্জি, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র দামোদোরদাস মোদি অমদি লৈঙাক মপূগী অচৌবা থৌগাই পুবিরিবা পুবিরিবী পূম্নমক্কী মফমদা হায়জরি মদুদি ইন্দিয়াগী অতৈ মফমশিংদা চহী মঙা মঙাগী মীহুৎ খনবগুম কংলৈপুং মণিপুরদসু ১১ শুবা বিধান সভাগী লুচিংবা হুম্ফু খনবগী তাঙ্কক অমুক য়ৌশিল্লক্তুনা করিসু খঙজদ্রবা মীচম মীয়ামদা চহী ৫/৫ গী শেম্বীবা মপূগা পাঙ্খক ওইরবা চাউরবা পোৎলুম অমা থাঙ্গৎপীদুনা লাক্লি অদুবু মীহুৎ খনবগী হক হেক লোইবগা শেম্বীবা মপূগা পাঙ্খক থম্বীরমবদু উচিদা অমুক হঞ্জিন্দুনা, মাগী মাগী হিংনবগী লানফমদা পুকচাক থিনবা অমুক চৎনখ্রগনি। লৈঙাক মপুশিংনসু মীচম মীয়ামদা খোমগৎলকপা শেলনা, লৈবাক অমমমগী শেঙ্গাওদা তুংশিল্লগা, লৈবাক ঙাকপগী মিংদা চহী মঙা মীচম মীয়ামগী য়াইফনবা থবক থৌরমশিং তৌরি। লৈবাক ঙাকশেল্লি হায়দুনা মীচম মীয়ামগা শোক্লা শম্নদবা মওংদা লৈখ্রগদি, চহী মঙা মপূং ফারক্লবা মতমদদি মীচম মীয়ামবু অমুক থিরক্লগনি। মরক অসিদনি ইকায়খুম্নজরবা মালেমগী ৱাথোক লাম্থোক কয়াগী হৌরকফম ওইরক্লিবা অসি, ঐখোয়না হায়জরিবা অসি মীচম মীয়ামদা ইনশিন্দুনা লৈবাক কায়নবা হাইবসু নৎচদে, লৈঙাকশিংদা শিংনবসু নৎচদে, মীচম মীয়াম খুদিংমক্লা, মহৈ মশীন তম্বা হেক হৌরবা অঙাংশিংদগী হৌরগা মাগী মাগী লৈনরিবা মরল মথুম খুদিংমক মালেমগী থাক্তা কৎথোকমিন্নদুনা, মালেমগী মীপুম খুদিংমক লৈঙাক মপুশিং অমদি মীচম মীয়ামগী মরক্তা খেন্নবা লৈতবা অরোন অথুপ লৈতবা মনুং মপান ফাওনা উবা ঙম্বা নিংথিরবা মালেমগী অমত্তা ওইবা লৈঙাক্লোন অমা শেমদোকমিন্নদুনা, চক কয়াগী অহৌবা হয়া চক অসিদা চঙশিনমিন্ননবা, ন্যুক্লিয়রগী বোম-তোপ, মিসাইল, নোংমৈ, থাং-তেন অমদি শেলনা লৈবাক ঙাক্লবগী চৎনা লোনচৎ অসিদগী থৈদোক্লরক্তুনা থাজনবা অমদি ইকায় খুম্নবনা অপেনবা ওইনবা, সাইন্স অমসুং টেক্নোলোজিগী অচৌবা মতেংগা ইরোইননা মালেমগী অমতা ওইবা লৈঙাক্লোন অমগী মখাদা, মালেমগী য়েলহৌমী খুদিংমক্কী মাগী মাগী কোল্লুপশিং খাইদোক্লদুনা মশাগী কোল্লুপ মশানা ঙাকচহন্দুনা, মালেমগী ৱাথোক লাম্থোক খুদিংমক্কী ৱারোইশিন অদোম অদোম্না লৈঙাক চুক্লি পায়রিঙে মতম খরা অসিদা লোইশিনমিন্নহৌসি হায়জরি।

ইকায়খুম্নজরবগী পনখৈ লৈত্রবা প্রসিদেন্ট প্রনাব মুখর্জি, অদোম্না লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংলবা তাঙবলদা লেংশিল্লমদাই ঙৈহাক মমাঙদা হায়বিখিবা, দেক্সনারিদগী লায়রবা হায়বা ৱাহৈ অসি মুত্থৎকদবনি হায়খিবদু, চিনবাল থোংদগী ঙাঙথোকখিবা তাদুনা তোকপীগদৌরিব্রা অদোমগী চহী মঙাগী তাঙ্ককসু লোইশিল্লক্কদৌরে। লৈঙাক হোংলকপগী মতুং ইন্না অদোমসু শোয়দনা হনখ্রগনি খঞ্জে। অমুক হল্লকপসু ওইবিয়ু।

লোয়ননা ইকায়খুম্নবগী পনখৈ লৈত্রবা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র দামোদারদাস মোদি, অদোম্না সেন্তরগী লৈঙাক্তা চৎলমদাই মতমদা মীয়ামদা হায়বিখিবা, হৌজিকসু মীয়াম তিনবা মফমশিংদা হায়বিরিবা ইমুং অমগী পোলিটিক্সনি কোংগ্রেস পার্টিগী, মপান্দা পৈশিন্দুনা থমখ্রবা অরোনবা শেল, লৈবাক মনুংগী মথোং মরম খঙদ্রবা শেল পীথোক-পীশিন, লৌথোক-লৌশিন (ট্রানজেক্সন) অমদি করপসন, মীওইববু পুকচাক থাকপীরিবা লৌমীশিংগী, মজাতি অমদি মরৈবাক্কীদমক কৎথোকপগা লোয়ননা চোঙথোকপীরক্লিবা দেমোক্রেসিগী শিংথানিংঙাই ওইবা ঙাকশেনদা অচৌবা থৌদাং পুবিরিবা সিক্যুরিটিশিং, লায়রবা মীচম মীয়ামগীদমক হায়বিখিবশিং অদু ইকায়খুম্নজরবা অদোমগীসু চহী অনী হেনজিল্লক্লে। লুপা ১০০০ চৎপী, ৫০০ চৎপী শিন্দোকখিবনা, ইনকম টেক্স পাকশন্না থিরকপনা, শেঞ্জা থুমজা, ব্লেক মনি, লায়রবা কোকহনবদি ওইথোক্লোই খঞ্জে। অদোম্না হায়বিখিবা ৱাফমশিং অদোমসু অদুমক পুদুনা ঐদি লাইনীংবা মুনিনি লেংবান্দা পোৎয়োম খাউ হাইগৎলগা চৎখিনবা হায়বিরিবা অদু চৎপীখিগনু। অদোম্না তৌফম খঙলক্তরবদি চীংলোন মাপন্না কোয়না পনশাবা, লাইবুনিংথৌ মাপলনা পনঙাকপা, ঋতু তরুক্লা থৌগলবা লম, তাইবঙ মপূগী অহানবা খুন্থোক লম কংলৈপুং লাইরৈপাক (মণিপুর) দা লাকপীয়ু। ঐখোয়বু থিবিরকউ। মালেমগী ৱাথোক লাম্থোক করম্না লোইশিনগদগে।

অরোইবদা, কংলৈপুং মণিপুরগী ওইনা খরদং ইকায়খুম্নজরবগী মফমদা হায়জরি, মালেম লৈশেম্লকপদগী মনীং মখা তম্না লৈঙাকচদুনা লাকখিবা কংলৈপুং মণিপুরনি। মরক মরক্তা মপূগী য়াথং তুংইন্না মহাক্কী অতোপ অতোপ্পা শুরোলশিংনা মপুগী লমদম অসিদা চঙজগে হায়না নীজখিবগী মতুং ইন্না মরক মরক্তা লৈঙাকচবা মাঙখি। মসিগী মরক্তা ঙসিসু তাঙ্কক অমদা লৈরি। বৃটিশশিংনা কুমজা ১৯৪৭ গী ওগষ্ট ১৪ দা থাদোকপীখি। কুমজা ১৯৪৯ ফাওবা মশাগী লৈঙাক্লোন অমদি চৎনলোনচৎ শেমদুনা লৈঙাকচরম্মী। মসি পূম্নমক্লা ইখংদা খঙনরবা ৱাফমনি। চহী অদুমক্কী ওক্টোবর ১৫ (১৫/১০/১৯৪৯) দা ইন্দিয়া অমদি মণিপুর য়ানবা অমগী মখাদা ইন্দিয়াগী লৈঙাক্লোনগী মনুং চনখি। ইকুই কুইদনা চহী মাপনগী মতুংদগী কুমজা ১৯৫৮ দগী আর্ম ফোর্সেস স্পিসিয়েল পৱার এক্ট অসি ঙসি কুমজা ২০১৭ ফাওবা চহী ৬০ রোম অসি লিশাং শিংনা থম্বীরক্লি।

অতোপ অতোপ্পা এক্ট কয়া অমসু থম্বীরি। মসিবু লাইবক ফবা হায়গদ্রা নৎত্রগা ইন্দিয়ানা মণিপুরবু কি তুকৎচনা য়েংবিরি হায়বসি লাল্লগদ্রা? চহী ৭০ মপূং ফারক্লে ইকায়খুম্নজরবা প্রসিদেন্ট কয়া চৎখ্রে। প্রাইম মিনিষ্টর কয়া চৎখ্রে। অদোমসু অদুমক হন্না য়েংঙমদনা চৎপীখ্রিদৌরিব্রা। বৃটিশশিংনা তম্বীরম্বা, থম্বীরম্বা দোমোক্রেসিগী লৈবাক ঙাকপগী চৎনলোনচৎ খুদিংমক ঙসিদি সাইন্স অমসুং টেক্নোলোজিনা অদুক্কী মতিক চাওখৎলকপগা লোয়ননা মীশিং য়ামখৎলকপদগী মতম অসিগা চুনরক্তবা লৈঙাক হায়বদু ওইরে। ইন্দিয়াখক্কীসু নত্তে মালেম পূম্বগীনি। হৌজিক পীকখ্রবা কংলৈপুং মণিপুরগী চীংবুরোইশিংগী মরক্তা অনী থোক্লা মুক্লরকপদগী য়ু এন সীগী অফোংবা অরোৎপশিংনা তানফম খঙলক্ত্রদুনা লৈবাক্কী লুচিংবা ওইবশিংদা তাইনদুনা চীংবুরোইশিংগী লৈফম ফাওবা চেল্লিবা এন ঐচশিংদা মতম কক্তনা অথিংবা থল্লি। লৈবাক অমগা অমগগী মরক্তা তৌনবা লান্দা ফাওবা লম্বী থিংবগী থবক তৌনদে। মালেমগী ৱায়েল লোইশঙনসু য়াদে। লৈবাক অসিগী লেমজনীংঙাই ওইরবা সুপ্রিম কোর্টনসু য়াদে। অদুবু মশাগী ওইজবা থিবা অঙাং মচাগী ৱাখলগা পাংখক ওইগদৌরিবা য়ু এন সীগী পোলিটিকেলগী কুম্মৈ অসি মতম শাংলে, পেন্দবা অমগীসু অমগীসু লম্বী অসিদা তাইনদুনা লৈরে। মরম অসিনা ইকায়খুম্নজরিবা লুচিংবা অনীনা য়ু এন সীগী লুচিংবশিং অমদি পোলিটিকেলগী লুচিংবশিংগা পূন্না ফমিন্নদুনা ৱাথোকশিং অসিগী ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবীয়ু।